# আই এস আর ওনা অদিত্যা কৌবা সেটলাইট থাগৎতুনা নুমিৎকী মরমদা থিজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি ঃ প্রাইম মিনিষ্টর




ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী): চহী অসিগী অরোইবা মন কি বাত থৌরমদা ৱা ঙাংখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না অদিত্যা কৌবা সেটলাইট অমা থাগৎতুনা নুমিৎকী মরমদা থিজিনবা হৌরগনি।

ইন্দিয়ানা এষ্ট্রোনোমিগী লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা খুৎমাং চাওশিনবা ঙল্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, আই এস আর ওগী এষ্ট্রোসেট কৌবা এষ্ট্রোনেমিকেল সেটলাইট অমা লৈরে। মসিগীসু মথক্তা অদিত্যা কৌবা সেটলাইট অমা অথুবা মতমদা থাগৎতুনা নুমিৎকী মরমদা থিজিনবা হৌরগনি।

লৈবাক অসিদা মতিক ময়াই লৈরবা টেলিস্কোপ কয়ামরুম লৈরে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, পুনে, কোদাইকনাল, উদগমন্দলা, গুরু সিখার অমসুং হনলে লদাখতা অচৌবা টেলিস্কোপ অমমম লৈরে। কুমজা ২০১৬তা মতমদুগী বেলজিয়মগী প্রাইম মিনিষ্টরগা লোয়ননা নাইনিটালদা মিটর ৩.৬ শাংনা দেবস্থাল ওপটিকেল টেলিস্কোপ অমা শঙ্গাখি। মদুনা এসিয়াদা খ্বাইদগী চাওবা টেলিস্কোপ ওইরে।

সিটিজন খুদিংমক্না ইন্দিয়াগী অরিবা এষ্ট্রোনোমিগী লৌশিং অমসুং অনৌবা মতমগী এচিবমেন্ট খঙনবা হোৎনফম থোকই। লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা সাইন্টিষ্টশিংনা সাইন্টিফিক হিষ্ট্রি খঙবগা লোয়ননা এষ্ট্রোনোমিগী মতাংদসু মমুৎ তানা খঙনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। রেদিও তারিবা মীপুম খুদিংম্না থৱানমিচাক য়েংবগী হৈনবী থম্বা মথৌ তাই। স্কুল অমদি কলেজগী থাক্তা এষ্ট্রোনোমি ক্লবশিং লিংখৎপগী তঙাইফদবসু লৈ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নহারোলশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, নহারোলশিংনা কাংলুপ নাইবা, মীচং মীখাই নাইবা অমসুং চরাংনবা ফিভম পামদে। হৌজিক চৎনরিবা সিষ্টেম অসিদা চেৎনা থাজবা থম্বগা লোয়ননা সিষ্টেমদা অকায়বা লাকপা মতমদা করি মরমগীনো হায়না থিগৎপগী হৈনবী অমসু লৈ।

মমাঙগী পার্লিয়ামেন্ট মীফম অনীমক নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা পাঙথোকখিবগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্টি খুদিংমক্কী এম পিশিংদা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, বজেট মীফম অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম্না মমাঙগী চহী ৬০দা পাঙথোকখিবা মীফম পুন্নমক্কী রেকোর্দ থুগাইবা ঙল্লে। মমাঙগী ১৭ শুবা লোক সভা মীফমসু প্রদক্তিব ওইবা মওংদা পাঙথোকখি। লোক সভানা বিজিনেস চাদা ১১৪ লোইশিনবা ঙমখিবগা লোয়ননা লোক সভাদা বিজিনেস চাদা ৯৪ মপুং ফানা লোইশিনখি। হিরম অসিগা মরী লৈননা এম পি পুন্নমক্কী মফমদা থাগৎফম থোকই।

ইন্দিয়াদা হৌজিক দিম্মোক্রেসিগী ফিভম হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলক্লে হায়বা পার্লিয়ামেন্ট মীফমশিংদগী ময়েক শেংনা খঙবা য়ারে। মসিগীদমক প্রিসাইদিং ওফিসারশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি এম পি পুন্নমক্কী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

অনৌবা চহী অমা থুংলরবগা লোয়ননা অনৌবা দিকেট অমদা খোঙ থাংজিনবা হৌগদৌরে হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ২১শুবা চহী চাদা পোকপা মীওইশিংনা লৈবাক অসি চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগনি। ঙসিগী নহারোলশিংবু সোসল মিদিয়াগী মীরোলনি হায়না খঙনরি। হৌগৎলক্লিবা নহারোল পুন্নমক হিরম খুদিংমক্তা থোইদোক হেন্‌ দাক্না মীথোই মীহেনবা ঙাক্তনি হায়বা পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা নহারোলশিংনা অনৌবা অমসুং তোপ তোপ্পা থৌরাং খরা লৌখৎলক্তুনা ইন্দিয়াবু চাওখৎপগী মায়কৈদা পুখৎলক্কনি হায়বা চেৎনা থাজে।

# সি আর পি এফকী জৱানশিং নুমিৎ ১০০নিগী ইমুং-মনুংগা লৈমিন্নবা ফংহল্লগনি




ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী): য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমতি সাহনা হায়খ্রে মদুদি সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী জৱানশিং চহী খুদিংগী নুমিৎ ১০০নি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লৈমিন্নবা ফঙহল্লগনি।

ফেমিলি মেম্বরশিংগী হেল্থ কার্দ পীনবা থৌরাং অমসু লৌখৎলে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ন্যু দিল্লিদা সি আর পি এফকী অনৌবা বিল্ডিং অমা শানবগী উরেপ উয়ুং তম্বা থৌরমদা ৱা ঙাংখিবদা মহাক্না হায়খি, কাদর রিভিয়ু তৌরবা মতুংদা অনৌবা পোষ্ট ৩,৫২৬ ক্রিয়েট তৌরে। মসিনা পার্সনেলশিং অতেনবা মতমগী মনুংদা প্রমোসন ফংবা ঙমহল্লগনি।

সি আর পি এফকী 'বির এপ'না লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা অথৌবা পুন্নমক্কী অৱাৎ অপাশিং অঙম্বা থাক্তা য়েংশিল্লগনি। মথৌ তাবা তেঙবাং পুন্নমকসু এপ অসিগী খুত্থাংদা ফঙহল্লগনি হায়না হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

সি আর পি এফপু খ্বাইদগী মথৌনা লৈবা অমসুং মথৌ মশক খঙবা ফোর্সনি হায়না শীংথারদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা পার্সনেল ২,১৮৪গী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি। সি আর পি এফপু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা অমিত সাহনা হায়খি, কুমজা ১৯৮০ অমসুং কুমজা ১৯৯০গী পরিংদা পঞ্জাব অমসুং ত্রিপুরাদা টেররিজম লাকশিনবদা ফোর্স অসিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। বোর্দর ষ্টেটশিংদা ইং তপ্পা ফিভম লৈহন্নবা হোৎনবসু সি আর পি এফনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। পুলৱামাগী থৌদোক মতুং তারকপদা সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সকী জৱানশিং এরোপ্লেনদা চত্থোক চৎশিন তৌনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# ইন্দিয়ন নেভিনা ন্যুক্লিয়র এটেক্ট সবমেরিন ৬ শানবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন নেভিনা অন্দর ৱাটর ফ্লিটকী শরুক অমা ওইনা কনভেন্সেল সবমেরিন ১৮ অমসুং ন্যুক্লিয়র এটেক্ট সবমেরিন ৬ শানবা থৌরাং লৌখৎলে।

ষ্টেন্দিং কম্মিতি ওফ দিফেন্সনা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদা পুখৎখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, হৌজিক হৌজিক লিজদা শীজিন্নরিবা কনভেন্সেল সবমেরিন ১৫ অমসুং ন্যুক্লিয়র সবমেরিন অমগী মথক্তা অনৌবা সবমেরিনশিং শানবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

অরিহন্ট ক্লাস এস এস বি এন এসকা লোয়ননা ন্যুক্লিয়র এটেক সবমেরিন ৬ অথুবা মতমদা শারগনি। প্রাইভেট সেক্টর ইন্দষ্ট্রিজগা খুৎশম্নরগা ন্যুক্লিয়র এটেক্ট সবমেরিনশিং শানবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি। হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ন নেভিনা রসিয়াগী কিলো ক্লাস, জর্মনিগী ঐচ দি দব্লীয়ু ক্লাস অমসুং ফ্রান্সকী স্কোর্পেন ক্লাস সবমেরিন শীজিন্নরি।

ন্যুক্লিরগী কেটেগরিদনা রসিয়াদগী লিজদা ৱাইরগা আই এন এস চক্রা (অকুলা ক্লাস) শীজিন্নরি। নেভিনা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিতিদা হায়খি মদুদি হৌখিবা চহী ১৫গী মনুংদা স্কোর্পেন ক্লাসকী সবমেরিন অনী-

আই এন এস কলবারি অমসুং আই এন এস খন্দেরি য়াওনা কনভেন্সেল সবমেরিন অনীখক কম্মিসন তৌখি। মমাঙদগী শীজিন্নদুনা লাকখিবা কনভেন্সেল সবমেরিন ১৩ কা হেন্না লিবা মরম্না অনৌবা মতমদা শীজিন্নবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি হায়না ষ্টেন্দিং কম্মিতিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। প্রোজেক্ট ৭৫ ইন্দিয়াগী মখাদা নেভিনা অনৌবা সবমেরিন ৬ শানবা থৌরাং লৌখৎলি। ইন্দিয়াগী কম্পেনিশিংগা খুৎশমন্দুনা কনভেন্সেল সবমেরিন ৬সু শারগনি।

# অজিত পাৱরনা মহারাষ্ট্রগী দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি

মুম্বাই, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী): নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)গী লুচিংবা অজিত পাৱরনা মহারাষ্ট্রগী দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর উধব থাকরে য়াওনা শুপ্নগী মিনিষ্টর ৬খক লৈরিবা মহারাষ্ট্রগী কেবিনেট নিংথৌকাবা নুমিৎতা চাওথোকহল্লগনি। সিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাকরেনা এন সি পিগী লুচিংবা সরত পাৱরগা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা অজিত পাৱরবু দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইহনবগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকখিবনি। মমাঙ থাদা উধব থাকরেনা লুচিংবা সিব সেনা, কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবদা মশাগী চহী ৬০ শুরবা অজিত পাৱরসু শরুক য়াখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক মশামক্তি ৱাশক লৌবদা য়াওখিদে।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা ষ্টেটকী এন্টি করপসন ব্যুরোনা অজিত পাৱরবু বিদরভা ইরিগেসন স্কেমদা চেন্নদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মহাকপু দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। মমাঙদা মহাক অনীরক হন্না ফম অসি পায়রম্বা লৈখ্রে।

# সি এ এগী মায়োক্তা লেপ্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

টিরুবন্তপুরম, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী): কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়ননা কৌখিবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম্না সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা লেপ্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী অখন্নবা মীফম কৌবা, জোইন্ট দেলিগেসন অমনা প্রসিদেন্ট উনবা, সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎতুনা কেস থেংনবা অমসুং মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনবা অসিনচিংবা মখল মখা কয়াগী থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

ওপোজিসন লিদর রামেস চেনিতালানা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি য়ুনাইটেদ দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট (য়ু দি এফ)না পুখৎপা খ্বাইদগী মরু ওইবা দিমান্দদি এসেমব্লীগী অখন্নবা মীফম কৌবা হায়বসিনি। অখন্নবা মীফমদা মত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা সি এ এগী মতাংদা মীয়ামগী পুক্নিংদা ফাওরিবা নুংনাংবা অমদি চিংনবা পুন্নমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি প্রসিদেন্টতা ময়েক শেংনা পাউদম্লগনি। অথুবা মতমদা ওল পার্টিগী মীহুৎ কাংবু অমা দিল্লিদা চৎতুনা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দগা উনরগনি হায়রি। চীফ মিনিষ্টর অমদি ওপোজিসন লিদরনা সি এ এগী মায়োক্তা চঙশিনগদবা খোঙজংগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌরগনি।

# চান্দিগরদা তিলহৌ কে জিদা লুপা ৬৫দা য়োল্লে

চান্দিগর, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী): লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা তিলহৌগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপা তারবসু চান্দিরগা বেজ তৌবা নুপীশিংগী লুপ অমনা তিলহৌ কিলো অমদা লুপা ৬৫দা য়োনবা হৌরে।

শুপ্নগী পুং ৪ খক্কী মনুংদা তিলহৌ কিলো ৮০০ য়োনবা ঙমখি। মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা নারি জাগ্রুতি মঞ্চকী পিঙ্ক ব্রিগেটনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা অহোংবা মমলদা তিলহৌ ফংহনখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা মীওই অমনা তিলহৌ কিলো অনীদগী হেন্না লৈবা য়াহনখিদে। তিলহৌ লৈবা লাকপা মীপুম খুদিংমক্তা প্লাষ্টিক পোল্যুসননা অকোইবগী ঈশিং নুংশিৎতা অমাং অতা থোকহনবগী ৱাফম ময়েক শেংনা খঙহনখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপদা সেক্টর ৪০গী শ্রী হনুমান ধাম মন্দির মনাক্তা তিলহৌগী দুকান অমা হাংদোকখি। নিনা তিৱারি কৌবা নারি জাগুতি মঞ্চকী লুচিংবা অমনা হায়খি মদুদি মনা মশিং য়োনবা মফম অমদগী তিলহৌ কিলোদা লুপা ৬৫দা লৈরক্লগা শেন্দোং অমত্তা লৌদনা মীয়ামদা অমুক হন্না কিলোদা লুপা ৬৫দা য়োনখিবনি। লৈঙাক্না মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্তবা মরম্না অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎখিবনি হায়রি।

খঙহঞ্জবা

ঙসি তাং ২৮-১২-২০১৯ ইং, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ৯.০০ তাবা মতমদা মমাং মান্দোপ Wangkhei Loumanbi, Imphal দা লৈবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা 'মমাং মান্দোপ' অসিদা ফমখিবা মীফম্না মমাং মান্দোপ, Wangkhei Loumanbi, Imphal East গী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা ঈশ্বরগী মীংদা মতমদুদা কৎচরম্বনি। মরম অসিনা হায়রিবা (লম) ইংখোল Page (1) No. 16 Patta 84/254 Old and Patta No. 42 (New) an area .47 Village No. 53 Wangkhei Loumanbi, I/E অসি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লৈবা য়োনবা অমদি মীং ওনবা য়ারোই।

মরম অসিনা ইংখোল কৎলম্লিবগী ইমুং মনুং অমদি ঈশ্বর সেবরি ওইবীরিবগী ইমুং মনুংনসু অয়েৎপা পীরকপা য়ারোই হায়না ঙসিগী মীফম্না য়েৎনবা লৈতনা য়ানরে।

**হায়জরিবা**
লৈকায়গী মীয়াম
Okram Chuthek Imphal East
Wangkhei Loumanbi.

HL-P/5626/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mut. Case No. 799 of 2019**

1. Huidrom Brojendro Singh, S/o (L) H. Tonsana Singh of Keinou Thongthak Awang Leikai. (0.1525 acre)
2. Huidrom Prabha Devi, W/o Brojendro Singh of -do- (0.07 acre) ...Applicants

-Vs-

1. (L) Huidrom Tonsana Singh, S/o (L) Modon Singh of Keinou
2. Huidrom Chanu Lamnganbi Devi, D/o (L) Tonsana Singh of -do- O.P. Pattadars

/ **NOTICE**

Oinam, the 28th Dec., 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩২- কৈনৌগী পাট্টা নম্বর ১০৮৪ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৫০৯ এরিয়া একর ০.২৭২৫ চাওবা ইংখোল অসিগী Pattadar নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি অনীনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/5625/30 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Oinam**

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mut. Case No. 798 of 2019**

1. Lisham Shanta Singh, S/o (L) Amujao Singh of Keinou
2. Heirangkhongjam Arunkumar Singh, S/o (L) Ibohal Singh of -do- ...Applicants

-Vs-

1. (L) Lisham Amujao Singh, S/o (L) Tomba Singh of Keinou (0.62 acre)
2. (L) Heirangkhongjam Ibohal Singh, S/o (L) Modu Singh of -do- (0.59 acre)
3. Oinam (N) Sorokhaibam (O) Thoibi Devi, W/o (L) Manglem Singh of -do-
4. Sorokhaibam Piral Devi, D/o (L) Manglem Singh of -do- O.P. Pattadars

/ **NOTICE**

Oinam, the 28th Dec., 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩২- কৈনৌগী পাট্টা নম্বর ৬৮৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৮০ এরিয়া একর ১.৮০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী Pattadar ১, ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদার ১গী শরুক্না দংকারি ১দা অদুগা ২গী শরুক্না দংকারি ২দা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মমিং কল্লগা মাগী/মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/5625/30 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Oinam**

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)
## NOTICE FOR OBJECTION

**Imphal, the 20th December, 2019**

**No.Prop/SR/IW/2019:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "The Sport Development Association (SDAM)" on 20-12-2019 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Hangoon Village Ahallup"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered society/Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies, Imphal West

HL-P/5821/30

## /OBJECTION

Dated 29/12/2019

It is hereby notified for the information that, THE IYONG-PHI HANDLOOMS AND HANDICRAFTS CO-OPERATIVE SOCIETY is going to be established soon at KHUNDRAKPAM, PANGEI IMPHAL EAST DISTRICT with a theme of produces varieties of handlooms and handicrafts product and also to promote and preserve the handloom and handicrafts related activities. I, the undersigned, ask all not to give any disturbances against my will and to support me further.

**Sd/- Proprietor**
Lamyanba Khangembam
#7005385621/9612556602

HL-P/4556/30


**RESOURCE TUTORIAL CENTRE**
Khurai Lamlong Bazar, Opp. KVS Lamlong
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR CLASS IX & X (BOSEM)
SUBJECTS: ENGLISH, MATHS, SCIENCE, S.SCIENCE, MANIPURI, HR. MATHS.
SPECIAL FACILITY: No Tuition Fee for 1st three rank holders of different schools on first come basis.
(Class starts: 23rd December, 2019)
Time: 6:00 a.m. to 7:30 a.m. & 4.00 p.m. to 8:00 p.m.
FOR MORE DETAILS PLZ. CONTACT: 8415923747 / 9366072052
HL-B/5907/23/12-9/01

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
.HL-B/4529/25oct.to23nov

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
Admission Open For
INTENSIVE REVISION COURSE
NEET (UG) - 2020
LAST DATE OF FORM SUBMISSION 09TH JANUARY, 2020
CLASS STARTS 10TH JANUARY,2020
DURATION :- 3 and Half MONTHS
♦ MOCK TEST ON EVERY SUNDAY
HL-B/5859/4-30/01
FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.


## /NOTICE UNDER ORDER-V, RULE 20 CPC 1908
## IN THE COURT OF DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST, MANIPUR
### R F A NO. 10 OF 2019

Ref. : Judgment and Decree dated 05.08-2019 of the Ld. Civil Judge Senior Division, Imphal West passed in Original Suit No. 7 of 2008/528 of 2013.

Shri Laishram Angou Singh ---Appellant

**- Versus -**

1. Smt. Laishram Ningol Thokchom Ongbi Leibaklei Devi and 9 (nine) others. ---Respondents

**To,**

**1. Shri Seram Tiken Singh, S/O Late Thambalmacha Devi.**
**2. Shri Seram Ibosana Singh, S/O Late Thambalmacha Devi**
**Both of Mayang Imphal Maning Khunou, P.O & P.S Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur.**
**3. Shri Huidrom Bosan Singh, S/O Late H. Temba Singh.**
**4 Shri Huidrom Somendro Singh, S/O H. Bosan Singh.**
**5. Shri Huidrom Dinesh Singh, S/O H. Bosan Singh.**
**6. Shri Huidrom Ajay Singh, S/O H. Bosan Singh.**
**7. Kumari Huidrom Bembem Devi, D/O H. Bosan Singh.**
**8. Kumari Huidrom Echan Devi, D/O H. Bosan Singh.**
**All of Upokpi Huidrom Leikai, P.O. & P.S. Wangoi, Imphal West District, Manipur.**
**9. Seram Ningol Memcha Devi, D/O Late Thambalmacha Devi**
**10. Laishram Ningol Leiyon Devi, W/O (L) Yumnam Ibopishak Singh**
**11. Smt. Laishram Ningol Apambi Devi, W/O Saroijam Maichon Singh**
**All of Mayang Imphal Konchak, P.O & P.S Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur.**
**12. Shri Laishram Ashorthama Singh, S/O Nungshirei**
**13. Shri Akoijam Govind Singh, S/O Late Gopalchouba Singh**
**Both of Mayang Imphal Thana, Mamang Leikai, P.O & P.S Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur.**
**14. Smt. Laishram Ningol Loidang Devi, W/O Late Longjam Mangol Singh of Mayang Imphal, P.O & P.S Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur.**

Whereas, the above named appellant has filed the present appeal against the Judgment and Decree dated 05.08-2019 of the Ld. Civil Judge Senior Division, Imphal West passed in Original Suit No. 7 of 2008/528 of 2013.

And whereas you were not available at your address when an ordinary process was done and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in the ordinary way. So, by way of substituted service, you are hereby summoned to appear in this court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the said application on 03-01-2020 at 10:30 a.m. to give your objection if any.

Take notice that in default of failure to appear on the aforementioned time and date, the matter will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court, this 16th December, 2019, at Imphal.

Seal
By :-Advocate

**Sd/- SR. SHERISTADAR**
District and Sessions Court, Imphal West

HL-P/5820/30,31